হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মে ১২, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৪৮ শুবা মশীং

# চুড়াচান্দপুরগী ৱাথোক

## অনৌবা লৈঙাক্কী এচিভমেন্ট অমনি হায়বা য়াই

***য়েলহৌমী*** কনবগা মরী লৈনবা বিল অহুম মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ফ্লোরদা চীং অমসুং তমগী এম এল এ পুম্নমক য়াওরগা খন্নদুনা য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখ্রবা মতুংদা বিল অহুম অদু ট্রাইবেলশিংগী মায়োক্তনি হায়না চুড়াচান্দপুরদা হৌরকখিবা মীয়ামগী মোবতা মীওই ৯ শিখি। থৌদোক অদুদা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী ময়ুম-মকৈ মীয়াম্না মৈ থাখি। মতম শাংনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বন্দ চথদুনা মীচম মীয়ামগী মরক্তা শাথীনা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। মতমদুগী লৈঙাক্লা ইস্যু অসি মীখল মমাঙদা লোইশিন্ননবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু মপুং ফানা মহয় চাবা ফংখিদে। মতমদুগী লৈঙাক্লা ৱাথোক অসি লোইশিন্ননবা হোৎনরমদে হায়বদি য়ারোই। লৈখিদ্রবা মীওই ৯গী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং মতম শাংনা থমহন্দনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা মীওই অমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং কনা খঙহন্দনা লৌরগা মথৌ মঙম পাঙথোকখি। অসুম্না ঈহৌ হৌরিবশিংগী মরক্তা খায়বুং তানবা মানবা ফীভম অমা লাকখি। অদুবু অতোপ্পা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ৮ দি ইমুং-মনুংদা লৌ হায়বা য়াখিদে অমসুং চৎনবী মতুংইন্না থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং অদুগী মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা লাকখি। অসুম্না নুমিৎ ৬১৮ নি রোম শুরবা চুড়াচান্দপুরগী ৱাথোক অদু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা লোইশিনবা ঙমখ্রে। ঈহৌ হৌরিবা জে এ সী এগেনষ্ট দ ট্রাইবেল বিলস, চুড়াচান্দপুর অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমা থা অসিগী ১০ দা খুৎয়েক পীনখ্রে। খুৎয়েক পীনবা অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫/৫ এক্স গ্রেসিয়া ওইনা পীবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী থবক অমমম্ মে ২৫গী মমাঙদা পীবা, অশোক-অপন নংখ্রবা মীওই ৪৮ দা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মমাঙদা লুপা লিশিং ৫০/৫০গী কম্পেন্সেসন পীবা, অনৌবা বিল অমা পুথোক্ত্রিঙৈদা মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিং তানরমগদবনি হায়বা অমসুং চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা অশোক-অপন নংবদগী শোয়নাইরবা মীওই ৮ দা লুপা লাখ ২/২ অমসুং লৈঙাক্কী থবক অমমম্ মে ২৫গী মমাঙদা পীবনচিংবা য়াওরি।

মতম শাংলক্লবা ৱাথোক অমা লোইশিনখিবা হায়বসি অনৌবা লৈঙাক্কী ওইনদি মায় পাকপনি অমসুং চুড়াচান্দপুরগী মীয়াম্না পাম্বা খুদিংমক ফংলবনিনা মীয়ামগীসু মায় পাকপা খোঙজং ওইরে হায়না লৌবা য়ারে। নৈনবা য়াবা ৱাফমদি করিগীদমক্তা মমাঙগী লৈঙাক্লা অচৌবা ৱাথোক অসি লোইশিনবা ঙল্লমদবনো হায়বসিনি। অনৌবা লৈঙাক্লা জে এ সীগা তৌনখিবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিংদা য়াওরিবা ৱাফম খুদিংমক কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টকী মতমদা দিমান্দ তৌরম্লবসু শোয়দনা ফংলমগনি। অদুবু মখোয়না চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা লৈঙাকপু অতম্ননা য়ানিংদবদগী ৱাথোক অসি মতম শাংথরকপনি হায়বসু য়াই। পোলিটিকেলগী ওইবা মীৎয়েংদা য়েংবা তারগদি চুড়াচান্দপুরগী থৌদোক অসি মীখল মমাঙদা লোইশিনহন্দবনা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসতা অচৌবা চৈফ্ অমা নংহনখি। কোংগ্রেস এম এল এ ওইরম্বদগী পার্টি থাদোক্লগা বি জে পিদা চঙদুনা মীরেপ ওইরকপদা মায় পাকখিবা, মীখলদা মায় পাকপা য়াবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়া তুখিবা অমসুং বি জে পিনা চুড়াচান্দপুরগী সীট ৬ কী মনুংদা ৩ ফংখিবা অসিসু ৱাথোক অসি মতম চানা লোইশিনহন্দবদগী পীরকপা চৈথেংনি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা কোংগ্রেসকী টিক্কেটতা মায় পাকখ্রবা সিংহাট এ সীগী এম এল এ গীনস্বানহাওনা কোংগ্রেস থাদোক্তুনা বি জে পিদা চেনশিনখিবসু ঈহৌ অসিগা মরী লৈনৈ হায়না লৌবা য়াই। চুড়াচান্দপুরদা মশীং য়াম্বা কাঙবু ওইনা খুন্দারিবশিংনা নাগাশিংগা পূন্না চৎমিন্নরগা মখোয়গী দিমান্দ ফংননবা হোৎনখি। মসিনা মরম ওইরগা চীংগী লমশিংদা চপ মান্নবা ঈহৌ হৌমিন্নখিবা অদু চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী লৈঙাক চিংথুনবগীদমক্তনি। হৌজিক্তি চীংগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী মঙলকপা মঙলান মঙফাওনরে। ও ইবোবীনা লুচিংবা লৈঙাক ইন্থুবা ঙমখ্রে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, মীতোপ মীয়ানচানা য়োৎখ্রগদবা মণিপুর কলহৌনবগীদমক কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীবা ঙম্বা লো অমা শেমসি, য়েলহৌমীশিং কল্লু হায়বা মীয়ামগী খোল্লাউ অসিমদি কৈদৌঙৈদসু মাঙহন্নীংদে। চীংমীশিংনবু হায়রবদি অচুম্বা, মরম চাবা-চাদবা য়েংদনা লোইনমক তৌগনি হায়রবদি মেজর কম্যুনিটি ওইরিবা মীতৈশিংগী থম্মোয়দসু পেন্দবা লাক্কনি। মরম অদুনা হৌজিক্তি থোকখিবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লবনিনা চীংমী-তম্মীশিং তানরগা লৈঙাক্লা য়েলহৌমী কনবা ঙমগদবা বিল পুথোকউ অমসুং বিল অদু এক্ট ওন্দুনা চৎনহল্লু। দিমান্দ অসি তম্পাক খক্তগী নত্তে, চীংদা খুন্দারিবা চীংমীশিংগীনি হায়বসিসু লৈঙাক্লা নীংশিংবীয়ু।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## তাকপী তম্বীবদা অচুম্বা, অশেংবদু খঙহন্নীংই

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**বোর্ড** ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুরগী ক্লাস টেনগী মণিপুরী টেক্স বুক 'মণিপুরী নাচোম' গী শরুক্তা য়াওরিবা ডা. কমলনা ইরম্বা 'মাতৃ তর্পন' হায়বা শৈরেংগী মতাংদা ৱাফম খরা লমদমসিদা ফোঙবা পাউচে অমদা ফোঙদোক্লকপা থেংনজরে। থোইদোক্লা ৱাফম খরা ফোঙদোকপীরকপসি মতাং চাই। চৎলিবা চহীগী মেত্রিক পরিক্ষাদসু শৈরেংসিদগী ৱাহং হংলিবনি। মতাংসিদা পঞ্জনীংবদি কমলগী খোরিরোল মমুৎ তানা খঙগে হায়রবদি অইবগী পুন্সি খোঙচৎসু খঙবা তঙাইফদবা লৈগনি। কমলগী খোরিরোলগী মচাকশিং শেমগৎ-শাগৎলকপদা মাগী অকোয়বদা লৈরিবা পোৎশক অমদি থৌদোক ৱাথোকশিং চিংথবা লৈতনা শিংথারকই। কমলগী লাইরিক 'লৈপরেং' অমসুং 'মাধবী' পারগা লায়না খঙবা ঙমগনি। মীৎমাংদা লৈরবা পোৎশক অমবু শৈথারকপদা থম্মোয়নুংগী খোন্থাংশিংনা লৈতেংলম্বতনি।

'মাতৃ তর্পন' হায়বা শৈরেংসি পরেং ৮১ না শাবনি। শৈরেংসি হৌবদগী লোইবা ফাওবদা অপোকপী মমা কায়নখিবগী মরমদা শৈথাজবনি। শৈরেংদুগী পরেং (১-৪), (২১-২৪), (২৯-৩২), (৩৩-৩৬), (৪৯-৫২) অমসুং (৭০-৭৩) ফাওবদা য়াওরিবা ৱাহৈ ৱাতাশিং অসিনসু অমুক্লা শৈরেংসিগী অশেংবা মশক্তু তাক্লি। শৈথারিবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং অসিদগী অপোকপী মমা কায়নখিবা অমসুং মমাগা লৈমিন্ননিংবগী অপাম্বদু খঙবা ঙমগনি। শৈরেংসি ইখিবগী মতমদু কুমজা ১৯২৩/২৪ অদুৱাইদা ওইগনি। কমলনা দিব্রুগড়দা এল এম পি তম্বা চৎখিবদু কুমজা ১৯২২ দনি। দিব্রুগড়দা লাইরিক তম্লিঙৈদা অপোকপী মমা কোলেরা লায়নাদগী কনবা ঙমহৌদনা পুন্সি লোমখিবনি। পাউসি তারদুনা পোক্লফম লমদম লাংথবালদা মমাগী মথৌ মঙম পাঙথোকপা য়াওরখি। মথৌ মঙম পাঙথোক্লম্লগা দিব্রুগড়দা অমুক হনখি। দিব্রুগড়দা হনখ্রবা মতুংদা কায়নখ্রবী মমাগীদমক ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং পুজরগা নিংঙাইদনা চেন্থরিবা ব্রহ্মপুত্রগী ঈচেলদা কৎচবগী শৈরেংনি। মণিপুরী খোরিরোলগী ঈচেলগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে। খোরিরোল তম্বীবগী মতাংদা মহৈরোয়শিংদা তোঙানবা মওংদা তাকপী তম্বীবগী মওংসি লাইবক থীবনি। মীৎয়েং চুম্না, ফজবা ৱাখল্লোনগী মায়কৈরোমদা চঙশিন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। খোরিরোল তম্বীবদা মমীৎ তাংবনা শামু মশক খঙনবা হোৎনবদা ফংখিবা মহয় অদুমক্তি ওইহন্নীংদে। কমলগী মরমদা চহী ১২ রোম চঙনা থিজন খোৎচিল্লুবদগী ফংলকপা লাইরিক ফাওবা পুথোকখ্রে।

*অদোমগী - ডা. এল সরত সিংহ*
*রিটয়ার্দ এসোসিয়েট প্রোফেসর, মণিপুর কোলেজ, ইম্ফাল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১। ''বিশ্ব তাইবঙপানবনা কপ্পা কপ্পা লোইখিনি/নূংদা ইবা ঐখোয়না নোক্লা নোক্লা লৈহৌনি।'' কবি কনানা হায়বনো?
২। ''কোয়চেন চেল্লি ফি থোংদ্রবা/নুপীশিংনা/কোয়তাল তাল্লি ফিমু শেৎপা/নুপাশিংনা।'' পরেংশিংসি 'মঙদসু তাইবঙদসু' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবি কনানা ইবনো?
৩। ''পানখৎলকপা থাজ/থুনা শিদোক্তুনা/থাশি ওনখ্রি/মহাক খঙমাল্লে/মফমসিগী অতিয়া/অহিংবা লৈবা য়াদে।'' পরেংশিংসিনা রঞ্জিতা কোন্থৌজমনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। প্রেমচন্দগী 'সপ্তসরোজ' বু মণিপুরীদা 'থম্বাল তরেৎ' হায়না হন্দোকখিবদু কনানো?
৫। নৈন-ৱারেং 'শৈরেংদসু ৱারেংদসু' হায়বদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরগী মণিপুর খোঙচৎতগী থোক্লকপা ৱাফম কয়া কয়া

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

***পুং*** খরখক্কী মণিপুর খোঙচৎতা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরদা লাক্লম্বসি মীয়াম্না করি মরম লৈবজাৎনো হায়না খরদি ঙক্লা থোক্লে। তশেংনা হায়বা তারবদি মরমদু খঙনীংবা ফাওনৈ মীয়ামসু করিনা হায়বরু নাগালেন্দ অমদি মণিপুর অনীসি য়ূমথংননা লৈরবসু হৌখিবা চহী কয়াসি মরী ফত্তে নুংশিনদে। কয়া য়ানদবা নুংশিনদবা মীদুনা হরাউ-হরাউ চঙলক্তুনা ৱারী-ৱাতাই শানরবা হায়বসি ঙক্লিংঙাই অদুম ওইবনি। মদুদা য়ূম্নুসু হরাউ হরাউ ওক্তুনা তৌবসিদনি মীয়ামসু মদুগী মরম য়াম্না খঙনীংলিবসি। মরমদু খঙনীংবতা নত্তে করি করি হায়নখ্রে অমদি ষ্টেট অনীগী মরক্তা মরী হেন্না ফগৎনবা করি করি ৱারী শান্নখ্রে হায়বনচিংবদু হেন্না ময়েক শেংনা খঙনীংই। খঙনীংবসু মশানা তাবনি করিনা হায়বরু নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর খরনা মণিপুরদা লাক্লুগা মণিপুর মীয়াম্না পামদবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া ঙাঙলম্লগা মীয়াম খোয়রাং খোয়শাওনহনবগী থৌদোক কয়া মাংলমচৎতা লৈখি। মদুনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ/ফুরুপ কয়াগী মরক্তা থাজনরক্তবা অমদি নুংশিনরক্তনবগী লম্বী অমা তোয়না য়াৎখি। পুম্নমক্তগী হেনবদি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমদি ঙমখৈদা অকায়বা লাকপা য়াবগী মরু হুল্লম্বসিনি। মরম অসিনা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরদা পুং খরগী খোঙচৎতা লাক্লম্লগা তহা তহা হনখিবসিদনি মীয়াম্না করি লৈবজাৎনো হায়না কন্না ঙাঙনরিবসি।

তৌবগীবুদি নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অনীগী মরী ফগৎনবগী লম্বী শেম্বা ৱাহৈ ৱাতা খরবুদি ফোঙদোক্লল্লে। মদু ৱাফম অনীদা য়েংবা য়াই মদুদি অমনা মণিপুরদা ইকনমিক ব্লোকেদ লৈতবা অমদি মাংলোমদা খরা চৎখৎনা লৈরবা মীতৈ ফুরুপ্পা অতৈ কাঙলুপ্পসু নুংশিনা কোননিশনবা হায়বা ৱাফমশিং অসিনি। হায়রিবশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোক্তবসু ৱাহৈখক্তনা ফোঙদোকপা ওইরবসু অফবা থবক অমনি। অসিগুম্বা ৱাহৈশিং অসি য়ূমলোন্নবা অমা ওইনা পাক হায়গন্দে মাংলমচৎতা। হায়গন্দবা ৱা কয়া হায়রকপসিদনি ঙক্লবা ফাওরিবসি অদুগা মদুসু মণিপুরগী শেংলবা লৈমায়দগী হায়রকপা। ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবা হায়বসি নাকোয়ননা মখোয়গা অদুমক মরীদি লৈনবনি হায়বদি মখোয়গী অপান্বা পান্দমদি অমখক্তনি। মদুদি গ্রেটর নাগালেন্দ শেম্বা হায়বদুনি। পান্দম অসি নাগালেন্দদা লৈঙাক্লিবা এন পি এফ, এন এস সী এন (আই-এম) অমদি মণিপুরগী য়ু এন সীগা চপ মান্নৈ। তোঙান তোঙানবা লুপ ওইনা লৈবখক্তনি। ফনমক মরী ফগৎনবা মানবগী ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবসু মখোয়গী নুংগী ওইবা পান্দম অদুদি লেংদনা/হোংদনা অদুমক লৈরমগনি। খুদক্তা অহোংবা করিসু লাক্লোই অদুগা কৈদৌঙৈদা লাক্কদবসু লৈতে।

নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরগী মণিপুর খোঙচৎ অসি গভর্ণমেন্টকী ওইবা খোঙচৎলা অদুগা মশাগী পার্টিগী ওইবা খোঙচৎলা হায়বদুসু করিনো হায়না য়েংবা য়াই। নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর লৈজিৎসু এন পি এফ, নাগালেন্দগীসু প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা অতৈ মিনিষ্টরসু য়াওরি, হান্নগী চীফ মিনিষ্টরসু য়াওরি অদুগা পার্টিগী মীওইশিংসু য়াওরি। মসিনা তাকপদি নাগালেন্দ গভর্ণমেন্ট অমদি পার্টি অনীমক্কী অপূনবা খোঙচৎ অমনি হায়নসু লৌবা য়াই। তৌবতদি চৎনবী অমা ওইনা গভর্ণমেন্টকী খোঙচৎ অমা মশাগী পার্টিগী মীওই কয়া য়াওবগী চৎনবী অসি লৈনগন্দে। পার্টিগী ওইবা থবক থৌরমদা লৈঙাক অদুগী মিনিষ্টর য়াওবদি অদুমক তৌনৈ করিনা হায়ববু মিনিষ্টর ওইরিবশিংদু পার্টি অদুগী মেম্বর ঙাক্তনি। মদুসু মিনিষ্টর ওইজরুবখক্তনি মিনিষ্টর ওইনা য়াওবা নত্তে পার্টি মেম্বর ওইনা পার্টিগী থবক য়াওবনি হায়নরিবনি। অমরোমদনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরবু তরাম্না ওকপদা মণিপুরগী বি জে পিগী প্রসিদেন্টসু য়াওবা অসিনি য়েংবা য়ারিবসি। নাগালেন্দগীবুদি লৈজিৎসুনা চীফ মিনিষ্টরসু ওইরি অদুগা লৈঙাক্লিবা এন পি এফকীসু প্রসিদেন্ট ওইবনিনা অমগী থবক চৎপদা অদুমক য়াওবনি থোইদোক্লা হায়নীংঙাই লৈতে। অদুবু মণিপুরগী মতাংদদি বি জে পিগী প্রসিদেন্টসি লৈঙাক্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিদা মহাক্কী থৌদাং করিসু য়াওদ্রি। তৌবতদি মসিগী থৌওং অসিদা করিসু কায়বা লৈতে, তৌবা য়াদে হায়বসু লৈতে। অতৈ লমদসু অদুমক তৌনৈ। হৌজিক ফোঙদোক্লিংলিবা ৱাফমদি হন্দক্কী নাগালেন্দগী মণিপুর খোঙচৎ অসি গভর্ণমেন্ট অমদি পার্টি অনীমক্কী পুনশিনবা খোঙচৎলা হায়বসিনি। তশেংনা হায়রগদি ষ্টেট অনীসিগী মরক্তা করি, করম্বা ৱাফমগী মতাংদা থোয়দোক্লা য়ানচেগুম্বা ইনগদবসু লৈতে। অনীমক অপীকপা ষ্টেট অমমনি। ষ্টেট অনীগী চয়েৎনরিবা ঙমখৈগী মতাংদা অনীমক্লা য়াশিন্নরবা লৈরবসু সেন্তরগী মীহুৎ অমদি সেন্তরগী থৌদাং য়াওদনা লোইশিনবা য়াবা নত্তে। মদুগীসু মথক্তা ষ্টেট অনীসি লল্লোন ইতিক্কী চাউরবা মরী লৈনবসু নত্তে। অদুবু ষ্টেট অনীসি নুংশি চান্ননা লৈনবা গভর্ণমেন্ট অনীনা হোৎনবদি মথৌ য়াম্না তাই। মদুগীসু ওইরম্বা য়াই নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা পুং খরখক্কী খোঙচৎতা মণিপুরদা লাক্লম্বদু। অদুবু নাগা ওইবা ৱাথোক্লা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লৈহল্লক্লিবদি মণিপুরদনি। মরম অদুনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা কোক য়াম্না চিক্লিবদি নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টতা নত্তে মণিপুর গভর্ণমেন্টনি। অদু ওইরবদি অফবা মরী থম্ননবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা নাগালেন্দদা চৎপা য়াই নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা তৌরিবা অসিগুম্না। মসিমক্লনি মীয়াম্না করি লৈবজাৎনো হায়না হংনরিবসি।

হৌজিক বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিদা এন পি পিগী এম এল এ মরি অদুগা এন পি এফকী এম এল এ মরি য়াওরি। গভর্ণমেন্ট শেম্বদা চাউনা মতেং ওইখি। চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অসিদা অহোংবা খরদি লাকপা উরে থা অমমুক্কী মমাঙদগী। অহোংবা লাকপগী খুদম অমা হায়বা তারবদি হেলথ মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিল্লগনি হায়রকপসিসু অমনি হায়না লৌবা য়াই। মতম অসি কোংগ্রেসতগী এম এল এ মরি বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টতা চঙলক্তুনা লৈঙাক অসিবু শৌগৎলকপা অসিসু অমনি। করিগুম্বা কোংগ্রেস পার্টিগী মশীং য়াম্না থোক্লক্তুনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা মথং মথং শৌগৎলক্তুনা মেজোরিটি ওইরকপা য়াবগী ফীভম অদু য়ৌরকপসু য়াদবা নত্তে। মতম অদু য়ৌরকপা তারবদি এন পি পি অমদি এন পি এফকী মফম লৈঙাক অসিদা মখা তানা লৈখিগদ্রা হায়বা ৱাখল অমা খল্লক্তবা ঙমগদ্রা? পোলিটিক্স হায়বসিদদি করিবু ওইথোক্তনিংঙাই লৈবগে? মীখল মমাঙদা ওইখিবা ফীভমদুগা হায়রুরবদি বি জে পি পনবা য়াদবা শ্যামকুমার, বিরা, সুরচন্দ্রা অমদি অতৈ এম এল এশিং বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা চঙলক্তুনা ফোঙনা শৌগৎলক্কনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদনি হায়বা য়াই। মরম অদুনা অওনবা অসিমসু পোলিটিক্সতবু ওইথোকপা য়াদবা করি লৈবগে হায়বদুগী মনুং চনখ্রে। থাজবগী ৱাংমদা লৈবা অওনবশিং মথং মথং থোক্লকপা য়ারি। মসি পূম্নমকসি অতৈ কনানসু নত্তে মীখলদা ভোট থাদদুনা মশানা পামজবা মীরেপ খঞ্জবদা হং এসেমব্লি তাহনখিবদুননি হায়বা য়াই। হং এসেমব্লি লৈবদগীনি পার্টি অমত্তনা মেজোরিটি ওইবা ঙমদবগীনি চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা পার্টি কয়াদগী এম এল এশিং পুশিন্নরক্লিবসি।

হন্দক্তা এন পি পিগী মিনিষ্টর ওইরবা এম এল এ মরিনা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিৎ শাহ দিল্লিদা চৎতুনা উনরুরিবসিগী মরম লৈরি। লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিদা মখোয়গী মরা চেৎত্রবরা হায়বা ৱাখল অমা লাকপা মশানা তাবনি। নৌনা কোংগ্রেস এম এল এ মরিনা শৌগৎলকত্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়সু মনম নম্লমগনি শোয়দনা চঙলক্কদৌরে হায়বদু করিনা হায়ববু গভর্ণমেন্ট অমগী মনুংদা থবক শুমিন্নরিবনিনা। এন পি পিগী ফীভম অসি এন পি এফকী এম এল এদসু তারক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মসিনা মরম ওইরগা মিহুল চেঙ্গুম-চেঙ্গানবা ফাওরমগনি। অমরোমদা এন পি এফ মণিপুরগী হায় কম্মান্দ হায়বা তারবদি দিল্লিদা নত্তে কোহিমাদনি। হায়রিবা পার্টি অসিদি কোহিমাদগী হৌদোরকপনি অদুগা মণিপুরদা শন্দোরকপনি। অদুক হাক্লা চাউবা পার্টিসু নত্তবনিনা হায়বদি রিজনেল পার্টিসু ওইবনিনা এন পি এফকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট উনবা লাকপা ওইরম্বসু য়াই। অতৈ গভর্ণমেন্টকী ওইবা থবক খরগা পুনশিন্নরদুনা।

এন পি এফকী এম এল এ মরি কৈদৌঙৈদা পুনশিন্নবগী ৱাফম লৈতে খল্লি পোলিটিক্সতা ওইথোকপা য়াদবা লৈব্রা হায়বা ৱাফম লৈজরবসু ওইথোকপদি য়াই অদুবু মতমদি চঙগনি। অদুবু অপাম্বা মীওইগীদি পাল্লিবা অমদি মথৌ তারিবসি হৌজিক্কি, কোন্নগী ৱা নত্তে। মসিগুম্বা লৈখায় তাদবা ফীভমসি বি জে পিনদি পাল্লোই। এন পি পিগী এম এল এ মরিসি বি জে পিদা চঙগদ্রা নৎত্রগা চঙলোইদ্রা হায়বা ৱাফমসিনি লুরিবসি। পার্টি অসি বি জে পিনা লুচিংবা সেন্তরদা লৈরিবা এন দি এ লৈঙাক্তসু পূন্না চৎমিন্নরি অদুগা নোর্থ ইষ্ট দেমোক্রেতিক এল্লাইয়েন্সতসু পূন্না চৎমিন্নরি। মণিপুরদা এম এল এ মরি কারকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা অতোপ্পা পার্টিদা য়াওখ্রে হায়বসিসু ফজবা নৎত্রি। মসিনা মরম ওইরগা এন দি এ অমদি নোর্থ ইষ্ট দিমোক্রেটিক এলাইএন্স (নেদা) দা ফজদবা মশক অমা লাকপসু কন্নানা খঙবা কুম ২০১৯ গী য়াম্না মরুওইরবা লোক সভাগী মীখলগী মাঙওইননা। এন পি এফকী ওইনদি বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিদা য়াওবা হায়বসি মখোয়গীসু কান্নবা অমনি। নাগা তাবা মফমনি হায়রিবা মখোয় মখোয়গী কেন্দ্রদা এন পি এফকী এম এল এশিংনা লৈঙাকপা য়াওরগা কেন্দ্রগী কান্নবা থবক তৌরে হায়বদু উৎপা ঙল্লে হায়না খঞ্জরমগনি। মসিগীসু মথক্তা গভর্ণমেন্ট অসিদা য়াওরবদি গভর্ণমেন্টনা করি থবক তৌগদৌরি হায়বা মাঙজৌননা খঙবসু ঙমগনি। মসিমক মখোয়গীদি য়াম্না কান্নবা অমা ওইরিবনি। অমরোমদা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসিদা এন পি পিবু অমদি এন পি এফপু করম্বনা য়াম্না হেন্না মরুওইবগে হায়বসিসু অচৌবা মরম অমা ওইদবসু নত্তে করিনা লৈঙাক অসি নাখোং শাদনা খরমখৈ লৈগে হায়বা তারবদি। মীয়াম্নদি পার্টি অনীমক মরুওই হায়না উগানি। অদুবু কূপ্পা য়েংবা মাইচৌগী মীৎয়েং অমদদি মদোমদা উদে হায়বা য়াই। এন পি এফপু গভর্ণমেন্টতা য়াওহনবা হায়বসিসু তেনৱা মশা ককথৎলগা থম্বগুম্বনিসু হায়বা য়াই অমরোমদা।

# ইন্টিগ্রিটিগীদমক ইম্ফালদা দিষ্ট্রিক্ট হাওসশিং শাহন্নীংই

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

***শুপ্নগী*** চীম্বানথোংদা ফোঙদোকপা খক্তনা ইন্টিগ্রিটিবু কৈদৌঙৈদা খক লমদমসিদা মপূং ফানা ঙাক্লা চৎনহনবা ঙল্লোই। ইন্টিগ্রিটিগীদমক থম্মোয়দগী থোক্লকপা, থম্মোয়দগী ওইবা অশেংবা ৱাহৈশিংদুদমক মথৌ তাই। ইন্টিগ্রিটি হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক্লা শুপ্নগী থম্মোয়গী ওইবা ৱাফম খক্তদা য়ূম্ফম ওই। ইন্টিগ্রিটিদি খূৎনা শেম্বসু য়াদে, শুপ্নগী চীনবানথোংদা ফোঙদোকপা ৱাহৈ খক্তনসু ইন্টিগ্রিটিবু মপূং খক ফাহনবা ওইথোক্তে। থৌদৌসিননি, মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা ইন্টিগ্রিটিগীদমক ৱাফম কয়ামরুম, মফম কয়ামরুমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবসু লমদমসিদা ইন্টিগ্রিটিগী অচেৎপা মমি অমা ফাওবা তাবা উদ্রিবসি। হৌজিকসুনি, মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরদা চীং-তম অনীমক্কী য়েলহৌমীশিংগীদমক, অপূনবা ইন্টিগ্রিটিগী শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনবদা, শুপ্নগী চীনবানথোংদা ঙাঙবখক নত্তনা খুদম-চাংদমশিং ওইবা য়াবা থবকশিং অমত্তসু হকথেংননা পায়খৎখিবা উনদ্রি। হীরমসিগী মতাংদা, ঐনা মরুপ অমগুম তিন্নজবা, ঐগী ইয়াম্বা ব্রজমোহোন, রুপমহল থিএটরগী দিরেক্টর, মীয়াম্না 'মামা শৌকনিগী খোঞ্জেল' হায়রগা মাগী খোঞ্জেলবু শকখঙবীরিবা, ইয়াম্বা অসিগী ইন্টিগ্রিটিগী ৱাখল্লোনবু চিংশিঞ্জদবা ঙমজদে। মানসু হৌদোক্লকপনি। নোংমা চূপ্না ইবানি হীরমসিদা ৱাখল মান্ননা ৱারী শানখি। মণিপুরদা ইন্টিগ্রিটি কনানা শাগৎলিবগে, মতৌ করম্না মপূং ফাহনগনি। হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা ইন্টিগ্রিটিগীদমক হকথেংননা পায়খৎপীবা য়াবা থৌরাং কয়ামুক্কী মরমদসু খন্নমিন্নখি।



য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মণিপুরদা চীংমী-তম্মী হায়না য়েলহৌমীন্নরক্লবা মচিন-মনাও অনীগী নুংশি মরীবু হৈগুম-লৈগুম খাঙঙুথক্তা থদৎতুনা মাঙহন্নবা শিনবা মীওইশিং কয়ামুক মণিপুরদা পোক্লক্লি। মীওইশিংদুগী মফমদসু ঐখোয় পূম্নমক্লা ইন্টিগ্রিটিগী ময়েক লারবা থৌদৌশিং ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। মখোয়শিংদুনা ইন্টিগ্রিটিবু শকখঙলকপা মিৎকুপ্তুদনি মণিপুরনা মালেমগী লৈমায়সিদা মদোম লম্বামিন্ননবা য়াওদনা ময়েক শেংনা চাওখৎলবা লৈপাক অমনি লাউথোকপা ঙল্লক্কদৌরিবসি। হীরমসিগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা পাল্লিবা লৈঙাকসিনসু হিংমিন্নরিবা মণিপুরগী চীংমী-তম্মী, মচিন মনাও অনীগী মরক্তা ইন্টিগ্রিটিগী ওইবা চাউরবা থোং অমা শাবীবগী মথৌসু তাই। মণিপুরদা ইন্টিগ্রিটিগা মরী লৈননা পায়খৎপা য়াবা খোঙথাংশিংগী মরক্তগী অমখক হায়রগদি, খ্বাইদগী ইহান হান্না মণিপুরগী কোনুং ওইরিবা ইম্ফাল ময়োলসিদা, মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী ওইনা 'দিষ্ট্রিক্ট হাওস' অমমম শাবীবসিনি। দিষ্ট্রিক্ট হাওসশিংসি শাবগী কান্নবশিং অসুক্কী মতিক মল্টিপর্পোজ ওইবা মওংদা শোয়দনমক্কী ফংগনি। কান্নবশিংদুগী মরক্তা মিৎনা-খোঙনা উদনা, খ্বাইদগী হেন্না কান্নগদৌরিবসি, ইন্টিগ্রিটিগী মরমদনি। মণিপুরগী থাপ্লবা চীংগী লমদমশিংদগী চীংমী ইচিন ইনাওশিং কয়া-কয়া নোংমা কাংদনা তোঙান তোঙানবা মরমশিংগীদমক তঙাইফদনা ইম্ফালদা থুংলরি। মখোয়না ইম্ফালদা থুংলবদা মখোয়দগী ওইজবা হাওস অমদা থুংজবনা লম লাপ্না লাকপগী অৱাবা পূম্নমক্তু খরদংদা ওইরবসু হন্থগনি। মখোয়না হৈনবা মওংদা অয়ূক-নুমিদাং মফমদুদা লেঞ্জবনা অমুক্কসু হেন্না মখোয়দা অপেনবা পোক্কনি। অসুম্না, ইম্ফাল থাদোক্লমদুনা ময়ূম লমদম য়ৌখিবা মতমদসু মখোয়না ময়ূমগী মীশিং অমদি মরৈকায়গী মরুপ-মপিজা খুদিংমক্তা তল্লগদৌরিবা ইম্ফাল খোঙচৎকী ৱারীশিংদু শোয়দনমক্কী ইন্টিগ্রিটি শাগৎনবগী ৱাফম্মক্তা ওইগনি। মখোয়না ইম্ফালদা লেল্লকপা পুন্সি মরেলগী ৱারীশিংদুনা চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা ইন্টিগ্রিটিগী ৱাহন্থোক হেন্না মপূং শোয়দনা ফাহনগনি। থৌরাংসি লৈঙাক্কী থৌরাং ওইফম থোকই। লন্নাই কাঙবুশিংনদি কৈদৌঙৈদা খক তৌনীংলোই। মরমদি, তঙাইফদনা হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট হাওসশিং অসিদা লৈরবা মীপুম খুদিংমক্কী অরেকমলশিং অমদি চাকশেলনচিংবশিং লৌবীবদসু শোয়দনমক্কী অহোঙবা রেট অমদা লৌবীবগী মথৌসু তারক্কনি। পূম্নমক্তু শুপ্নতগী মমিংতগী ওইবা মওংদা নোমিনেল ওইনদং লৌবীবা হায়বসি লৈঙাক নত্তনা অতৈনা খক তৌনীংলোই। থৌরাংসি অথুবা মতমদা পায়খৎহন্নীংই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ইন্টিগ্রিটিগী মতাংসিদা খুদম ওইনা, মতম অমগী মণিপুরগী চীংমী-তম্মী ইচিন-ইনাওশিংগী মরক্তা চৎনরম্বা অহল-লমন হাক্তক্কী ইন্টিগ্রিটি মপূং ওইবা থৌদৌ অমখক্কী ৱারীসু তম্নীংই। মমাঙঙৈদা মীতৈশিংনা (হায়নরম্বদুমক পঞ্জবনি ৱারৌবিরোই) 'হাও-কাবা' হায়বা থৌদৌ অমা মণিপুরগী অয়াম্বা তম্পাক লমদমশিংদা অহল-লমন হাক্তক্তা চৎনরম্মী। থৌদৌসি অতৈ করিসু নত্তে, মমাঙঙৈদা চথরম্বা চীংমী-তম্মী অনীগী চাউরবা ইন্টিগ্রিটি শাগৎলম্বগী খুদমশিংগী মরক্তগী অমনি। থৌদৌসি, মীতৈ অহল-লমনশিংনা মণিপুরগী তম্পাক লমদমশিংদা ফংবা, চীংদা ফংবদা ৱানবা পোৎশকশিং কয়ামরুম অমা পুরগা চীংগী লমদমশিংদা চৎপনি। মতমদুদা তম্পাক্তগী চৎলিবা মীতৈ নুপা-নুপীশিংগী ৱাইথুংফম চীংমী মতাওশিং অমদি মতাশিং মতিক চানা লৈরম্মী। মীতৈশিংবু হেক য়ৌখিবগা মখোয় মখোয়গী চীংমী মতাওশিং অমদি মতাশিংদুনা হরাউ-তয়াম্না ওকই। অদুগা পুরক্লিবা পোৎলমশিংদু চীংমী মতাওশিং অমদি মতাশিংদুনা হরাউ-হরাউনা মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমদি মরী মতাশিংনা শীজিন্ননবগীদমক লৌশিল্লি। মদুগী মতুংদা চাক্লেন হাউনা চামিন্নৈ। অৱা নুংঙাইগী ৱারী কয়া শানদুনা হরাউ হরাউ নোংমা নীনি লেকথোক্তুনা লৈথোক্লবসু করিগুম্বা মতমদা তাঞ্জাশিংগী মতুংইন্না অদুমক ময়াওই। অদুগী মীতৈশিংদুনা হল্লমদাইদা, তম্পাক লমদমদা ফংদবা পোৎ চৈশিং, চানথক্লবা অমদি শীজিন্ননবা পোৎলম চৈরম কয়ামরুম অমা চীংগী মতাওশিং অমদি মতাশিংদুনা অমুক হাপ্পীরকই। হরাউ হরাউ খুনগী খুঞ্জিন ফাওবা থিন্দোক্লকই। থৌদৌসি করিগুম্বা তাঞ্জাশিংদা চীংমী মতাওশিং অমসুং মতাশিংদুনা ওইনা তম্পাক্কী লমগী মীতৈ মতাওশিং অমদি মতাশিংগী য়ূমদা লাকপসু অদুমক চৎনৈ। অদুবু অয়াম্বদি তম্পাক লমগী মীতৈশিংনা ওইনা চৎলি। থৌদৌসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি ইচম চম্না নুংশিননা হিংমিন্নবগী ৱাহন্থোক লৈহনবনি, হিংমন্ননবা হোৎননবদা চীং-তম (চীংমী-তম্মী) মশেল অমগা অমগা তেংবাঙনবনি। নুংশিনবগী ঈচেলদা ইচম চম্না পোৎকা-পোৎকা ওন্থোক্লদুনা, খুদোল পোৎকী লমন খুদোল পোৎনা শিংবগী চৎনবীনি। চৎনবী অসিদা য়াওরিবা মতমদুগী ইন্টিগ্রিটিগী ৱাহন্থোক্তু অসুক্কী মতিক থাক ৱাংই, মমল য়াম্মীসু খল্লি। অদুবু লাইবক থিবদি, থৌদৌসি মতমসিদদি চৎনখিদ্রে। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না লেপ্পখিবনি, মতমগী অহোংবনি। হৌজিক্তি চীংগী মীসু, তমগী মীসু মশা-মশানা লোয়নমক মরন্নাই হিংনবা হোৎনরে। অদুম ওইনমক, মতমদুগী নুংশিরবা চৎনবীসিগী মনমদি ঙসি ফাওবদা কোকপা ঙমদনা লৈহৌবা মীতৈ অহল লমনশিং অমদি চীংমী অহলশিং অসুক্কী মতিক মশীং য়াম্না হিংলমখিনি খল্লি লমদমসিদা। হৌজিক্কী মতমদা থৌদৌসিমক চৎনদ্রবসু, অতোপ্পা থৌরাংশিং কয়ামুক অমনা মতমসিগা চুনবা মওংদা, চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা ইন্টিগ্রিটি লেংহন্দনা থম্নবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা পান্থে কয়ামরুম অমসু থিবীবগী মথৌ তাই।

থৌরাং অমা নৎত্রগা অমনা, চীংমী-তম্মী অনীগী নুংশি লীপুন চেৎশিন্ননবা হোৎনবা হৌজিক্কী মতমসিদা অসুক্কী মতিক তঙাইফরক্রে। চীং-তম খায়দোক্তনা মান্নবা মিৎয়েংগী মখাদা মণিপুরগী মফম খুদিংমক পাংদিং মান্ননা, চাওখৎপা মান্ননা হিংমিন্নবগী তঙাইফদবসু অসুক্কী মতিক ওইরক্লে। মণিপুরগী লৈমায় লৈতেম মান্নদবগী ৱাখল্লোনশিংদু লাপ্না লংথোক্লখিবা মথৌ তাই। মণিপুরদা মান্নবা থাক্কী পুন্সি মহিং অমা হায়বসিদা, চীং-তম অনীমক পূন্না য়াওরবনি। অপূনবা মণিপুর অমগী লৈমায়নি ঙসি ঐখোয়না লেপমিন্নরিবসি, হিংমিন্নরিবসি। ইন্টিগ্রিটি, পূনমিন্নবগী ৱাখল্লোন্না পূম্নমকপু শোয়দনা য়াইফহনবা ঙমগনি। ইন্টিগ্রিটি শাগৎপনা পূনশিন্ননবগী অমত্তা ঙাইরবা অশেংবা পান্থেদুমক ওইগনি। মণিপুর অমত্তনি, অমত্তসু ওইখিনি মতম চুপ্পগী। চীং-তম পূন্না হিংমিন্ননবগীদমক মথৌ তাবা খুদিংমক্কী লেপমিন্নখিগনি ঐখোয় মতম চুপ্পদা পূন্না। চীং-তম, চীংমী-তম্মী খেন্নবগী ৱাখল্লোনশিং মচেৎ অমা ফাওবা ফাওনদনা, তম্বীফম থোকই ঐখোয়গী হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংবু ইন্টিগ্রিটি কায়হন্দনবগী অচেৎপা ৱাখল্লোনশিং।